অসামগী দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা হৌজিকসু ঈচাও থোক্লি

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):

অসামগী দিষ্ট্রিক্ট অহুম - ধেমাজি, লক্ষিম্পুর অমসুং বক্সাদা হৌজিকসু ঈচাও থোকপগা লোয়ননা মীওই ১১,৯০০ হেন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

খ্বাইদগী ফিভম শোক্লবা লক্ষিম্পুরদা মীওই ৯,৫০০ ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরি। ধেমাজিগী মীওই ২,১০০ অমদি বক্সাগী মীওই ৩০০ লোমসু ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরি হায়না অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এ এস দি এম এ)না ফোঙদোকখি।

হন্দক চহীগী ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদতা ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈখিদবা মীওই পুন্না ১৩৮ শুরে। মীওই ১১২ ঈচাওগা মরী লৈনবা থোকশিংদা লৈখিদবনি। অতোপ্পা মীওই ২৬ না লেন্দস্লাইদতা লৈখিদবনি হায়রি।

এ এস দি এম এগী রিপোর্টনা হায়, হৌজিক হৌজক খুঙ্গং ২৮ অমসুং হেক্তর ১,৫৩৫ পাক চাওবা লৌফম ঈশিং থুমজিল্লি। ওথোরিটিশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অনীদা রিলিফ কেম্প হাংদোক্তুনা মীওই কয়া চঙজফম পীরি। খ্বাইদগী মরু ওইবা তুরেল, ব্রহ্মপুত্রসু ধুব্রি, নিমাতিঘাট অমদি তেজপুরদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক্তা চেল্লি। তুরেল অসিগা শম্নবা দিখোর, ধনশিরি অমদি জিয়া ভরালিসু মফম খরদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক্তা ঈমায় ৱাংখৎলক্লে। হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা ঈচাওনা মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট মরিগী মীওই ২৯,০০০ অৱাবা মায়োক্নুরে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রবনি।

মফম খরদা ঈচাওগী ফিভম ফগৎলক্লবসু লক্ষিম্পুর অমদি বিস্বনাথ দিষ্ট্রিক্টকী মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিল্লি। লক্ষিম্পুরদা মীওই ২৩,৫৯১; ধেমাজিদা মীওই ৫,৬৬২; বক্সাদা মীওই ৩০০ অমদি বিস্বানাথগী মীওই ৫০ হেন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরি হায়না এ এস দি এম এগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট মরিগী খুঙ্গং ৫৬ তা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী মহয়-মরোং উবা লৌফম কয়া অমাঙ-অতা থোকখি। কুমগী নোং মখা তানা চুরকপা য়াবা মরম্না ঈচালগী ফিভম নোংম-নোংমগী হেনজিল্লকপা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা চেকশিন ৱারোল পীখি।

সত্যা পাল মালিক্না মেঘালয়াগী গভর্নর ওইরে

শিল্লোং, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):

গোৱাগী গভর্নর সত্যা পাল মালিকপু মেঘালয়াগী গভর্নর ওইনা থৌ পুনবা খঙহনখ্রে। মহারাস্ত্রগী গভর্নর ভগট সিংহ কোসয়ারিনা অহেনবা চার্জ ওইনা গোৱাগী ওইনা গভর্নর ওইনা থৌ পুরগনি।

হৌখিবা ওক্তোবর থাদা সত্যা পাল মালিকপু গোৱাগী গভর্নর ওইনা খনখিবনি। কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্না খায়দোকখিবা মতমদা মহাক্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী গভর্নর ওইরম্মী। থা অনীগী মতুংদা মহাকপু গোৱাদা ট্রান্সফর তৌখিবনি। গোৱাদা হন্দক্তা কোভিদ-১৯গী লাইচৎকা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সাৱন্টকা মোৎ খেৎনরকপগী মতাংদা ৱাফম খরা মিদিয়াদা ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনি। গভর্নরনা মিদিয়াদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা অরানবা রিপোর্ট পী হায়বা ৱাফম অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

কালিতা সচদেবদা সাহিত্যা একাদেমি এৱার্দ পীখ্রে

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):

অসামগী অইবী মোসুমি কালিতা সচদেব য়াওনা অইবা ৩৫০ দা গুজরাট সাহিত্যা একাদেমি এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে। ইন্দিয়াগী ৭৪ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৮০গী অইবা ৩৫০ দা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অসি খুৎশিন্নখি।

গুজরাট সাহিত্যা একাদেমিনা গ্লোবেল লিটরেচর ফোরম মোটিভেশনেল ষ্ট্রিপসকা খুৎশম্নদুনা এৱার্দ অদু খুৎশিন্নখি। মোটিভেশনেল ষ্ট্রিপসকী ফাউন্দর সিজু ঐচ পালিথাজেথ অমদি পদ্মশ্রী ডা. বিষ্ণু পান্দিয়ানা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অদু য়েঙ্খোকখি।

লিটরেচরগী লমদা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা এৱার্দ অসি খুৎশন্নরকপদা মোসুমি কালিতা সচদেবনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। ওজাগী শীনফমদা লৈবী কালিতানা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ফোঙলিবা পাউচে অমদি মেগজিনশিংদা আর্টিকল কয়া ইখ্রবনি।

মেঘালয়াদা মীওই ৪০০ জেলদগী থাদোকখ্রে

শিল্লোং, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দারকখিবনা মরম ওইরগা মেঘালয়াদা ষ্টেট লৈঙাক্না দিষ্ট্রিক্ট জেল ৫ দগী বন্দি ৪০০ রোম থাদোকখ্রে। জুলাই ৩১ ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট জেল ৫ দা মীওই ৮৯৯ থল্লম্মী।

সুপ্রিম কোর্ট অমসুং মেঘালয়া হায় কোর্টনা পীরকপা গাইদলাইন মতুং ইন্না জেল মনুংদা মী কা হেন্না চিনহন্দনবা অন্দর-ট্রাইয়ল প্রিজনরশিং বেলদা থাদোকখিবনি। ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ প্রিজন্স এম খারক্রাংনা হায়খি মদুদি, জেল খুদিংমক্তা আইসোলেসন সেল অনী হাংদোকপগা লোয়ননা নৌনা জেলদা চঙলকপশিং ক্বারন্টিন তৌনবা থৌরাং লৌখৎলে। নুমিৎ খরনি আইসোলেসন সেলদা থল্লবা মতুংদা মীওইশিং অদু মেদিকেল ওফিসরনা অয়াবা পীরগা জেনরেল ৱার্দতা থাজিনগদবনি। সেল অমদা নৌনা চঙলকপা মীওই পুম্নমক থল্লগা অতোপ্পা সেল অমদনা কোভিদ-১৯গী লাইওং উথোরকপা মীওইশিং থমগনি।

অনৌবা কাঙলোন মতুং ইন্না জেলদা লৈরিবশিংবু অতোপ্পা মীওইশিংগা উনহল্লোই। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নবা নত্তনা উনবগী খুদোংচাবা পীরোই হায়রি।

জেল খুদিংমক্তা সর্জিকেল গ্লোভ, মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজর পীদুনা ষ্টাফ অমদি প্রিজনর পুম্নমক কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা থৌরাং লৌখৎলি। প্রিজনরশিংনা লৈরিবা কা পুম্নমকসু সেনিটাইজেসন তৌবগী থৌরাং লৌখৎলি। সেন্টেন্স রিভিয়ু কম্মিটিগী রেক্কমেন্দেসন মতুং ইন্না কভিক্ট ৮ থাদোকখি। অতোপ্পা প্রিজনর ৮ সু মতম শুদনা জেলদগী থাদোকখি হায়রি।

চৈরকসিদা, ইষ্ট খাসি হীলস দিষ্ট্রিক্টকী মফম পুম্নমক্তা ওগষ্ট ২৪ ফাওবা নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ু থমদুনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওগষ্ট ২৪ ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী নুমিদাং পুং ৯ দগী হৌরগা অয়ুক পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু লৈরগনি। অদুমওইনমক সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টকী তঙাইফদবা থবক থৌরমগা মরী লৈনবা গাড়িশিং চৎথোক-চৎশিন তৌনবগী অয়াবা পীরি।

ষ্টেটকী পাউ

কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা পাঙথোকচররোই : সুক

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :

সুক ষ্টেট লেভেল স্পেল্লিং কম্পিটিসন অমদি কংলৈপাক পুম্বগী অরিবা লোন (কংলৈলোন)গী ৱাহন্থোক চাংদম্নবা কুমজা ২০২০গী ওইনদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা পাঙথোকচররোই হায়না ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)কী পল্লিসিটি সেক্রেটরি এম সনাতোন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)না কুমজা ২০১১দগী কংলৈপাক অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংদা অহেনবা ৱাখল লৌশিং খরদং ওইরসু পীবা ঙম্নবগী পান্দমগা লোয়ননা 'লোৎতুনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী লৌশিং পুথোক্তুনা মালেমগী হিদান্নবগী লম্বীদা চঙশিনবা' হায়বা ৱাখল্লোনসিনা মাঙ থাজরগা চহী খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা কংলৈপাক অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কয়াগী মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা 'সুক ষ্টেট লেভেল স্পেল্লিং কম্পিটিসন' অমদি ঙসিগী মীরোলনা হীরম কয়াদা চাউখৎপা শাফরকপা হেল্লক্লবসু ঐখোয়গী ইরোল ইয়েকতি অসুম মমি শাল্লকপা মানবা মতৌ উরক্লিবা অসিদগী খজিক্তং ওইরবসু কনবা ঙম্নবগী পান্দমদা কংলৈপাক অসিগী মহৈরোয় লূপ অমা ওইনা ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা ঙাংলম্বা ইরোল অসি য়োকখৎতবা য়াদে খঞ্জদুনা 'মণিপুর লোনগী ফজবা মশকপু মতমগী য়াওলদা য়োকখৎতুনা থম্বা' হায়বা ৱাখল্লোন্না মাঙ থাজরগা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা 'কংলৈপাক পুম্বগী অরিবা লোন (কংলৈলোন)গী ৱাহন্থোক চাংদম্নবা' হায়রিবা কম্পিটিসন অনী অসি চহী লিশাং শিৎনা সুকনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুবু হন্দক্কী চহী ২০২০ গী ওইনদি মালেম পুম্বা কোভিদ-১৯ অৱানা পীদুনা মীপুম খুদিংমক ৱাখল লৈতানা লৈবা ঙমদ্রি। কংলৈপাক অসিদসু মীওই কয়া কোভিদ-১৯ নারকপা অমসুং মীওই কয়া অমসু লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা য়াওরে। লৈঙাক অসিনা লায়না অসিবু লাকশিন্নবগী পান্দমদা লোকদাউন থম্বগা লোয়ননা এদ্যুকেসন সেক্তরগুম্বা মহৈ-মশিন তম্বা য়াদবা মরম্না ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাকনা শীঞ্জবা চাংদম্নবা (কম্পিটিসন)শিং অসি লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা পাঙথোকপদা খুদোংচাদবনা মরম ওইদুনা পাঙথোচররোই।

সুকনা চহী লিশাং শিৎনা লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা কম্পিটিসন অনী অসিদা চাং নাইনা শরুক য়াদুনা লাকপা মহৈরোয়শিংনা নীংহন্নবা তৌবীগনু। হৌজিক হৌজিক পাক-শন্না শন্দারক্লিবা লায়না-লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হন্দক চহী অসি পাঙথোক্ত্রবসু ওল্লকপা চহীদা মহৈরোয় খুন্নাইগীদমক খন্দুনা সুকনা কম্পিটিসন অনী পাঙথোকচগনি। চহী খরা অসিদা সুকনা মহৈরোয় খুন্নাইগী য়াইফনবা তৌজরিবা থবক থৌরমশিং অসিদা থাজবীদুনা অমদি পাঙথোক্লিবা কম্পিটিসন অনীমক অসি য়াম্না মরুওইবা অমদি মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবদা মখোয়গী সিলেবসতা হেন্না কান্নবা পীবা অমনি খনবীদুনা কংলৈপাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ওজা, খঙ-হৈরবা মীওইশিং মরুওইনা মহৈরোয়শিংগী পেরেন্ট অমদি গাজিয়ানশিংনা মতেং পাংবীদুনা ঙসি ফাওবা কম্পিটিসন অসি মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমজরিবনি।

কংলৈচা পুম্বনা কোভিদ-১৯ লাম্থেংমিন্নদুনা ওল্লকপা চহীদা কোভিদ-১৯ লাকশিনবা ঙম্লবদি মমাঙ-মমাঙদা পাঙথোকখিবশিংদগী হেন্না চাউনা মহৈরোয়শিংদা হেন্না ৱাখল লৌশিং পীবা ঙম্বা মওংদা ওজাশিংগা তান্নদুনা অমদি মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা সুকনা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনগনি। মহৈরোয় পুম্বনসু ওল্লকপা চহীদা শরুক য়ানবা শেম-শাদুনা লৈবীয়ু অমদি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা স্কুল, কোলেজ কাবা ওজাশিংনা থেংনদুনা মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা ফংদ্রবসু ঐখোয়গী য়ুম-য়ুমদা লৈরিবা ইথক থোংবশিংগী মতেংগা লোয়ননা মতম মাঙহনবা তৌদনা লাইরিক পাবীয়ু অমসুং অফবা অহেনবা ৱাখল লৌশিং ওইবা য়াবা য়ুমদগী মপান থোক্তনা তৌবা য়াবা থবক থৌরমশিং তৌবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ফ্লাইটতা মীওই ২৬১ পুরকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস):

মণিপুরগী মপান লমদা মরু ওইনা দিল্লি, কোলকাতা, গুৱাহাতি অমদি দিমাপুরনচিংবদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ২৬১ রোম ঙসি তোঙান তোঙানবা ফ্লাইট মঙাদা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.১১ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ই ২৫১ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মওই ৭০ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। অনীশুবা ফ্লাইট এয়র এসিয়া অসিনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.২১ রোম তাবদা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬১ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। অহুমশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া ৯১-৭১৩৭) অসিনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা কোলকাতাদা পনুনা লৈরম্বা মীওই ৬ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি।

মরিশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ ই ৬৩২৩) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.০৬ রোম তাবদা কোলকাতাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৯৮ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। মঙাশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া ৯ আই-৭১৪) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা আইজোলদা পন্দুনা লৈরম্বা পুন্না মীওই ২৬ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট মঙাদা পুশিল্লকখিবা মীওই পুন্না ২৬১ রোম অদু এয়রপোটতা লৈবা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা মখোয় মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতা পুরক্লগা ঘাড়িদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমিদা থমখি। মতুংদা মখোয় তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা ওফিসলশিং লাক্লগা মখা তানা ক্বারন্টিন তৌনবা অমুক পুখি।

মীওই ৭৮ ফাইন থীহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস):

লমদম অসিদ কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ শন্দোরকপা থিংনবা লৈঙাক্না থমখিবা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ুগী চৎন-কাঙলোন থুগায়দুনা লম্বীদা ফেস মাস্ক উপ্পুনা থোরকপা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবশিং পুলিসনা দিটেন তৌদুনা ফাগৎপগা লোয়ননা ফাইন থীহনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

ঙসিসু ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মণিপুর পুলিসনা মীওই ৭৮ রোম ফাগৎপগা লোয়ননা মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা চেকশিন ৱা পীরগা ফাইন ওইনা লুপা ১৭,২০০ রোম থীহল্লগা থাদোকখ্রে।

আই জি পি (ওপস) ঈ প্রিয়োকুমারগী চেরোল অমনা হায়, মীয়াম মরক্তা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপা থিংনবা পুলিসনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুগী চৎন-কাঙলোন থুগায়বশিংগী মথক্তা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫ কী মখাদা লোগী ওইবা অকনবা চৈরাক ফংহনবা য়াই হায়রি। পুলিসনা চত্থরিবা দ্রাইভ অসি মখা তানা অদুম্মক লেপ্পুনা চত্থখিগনি হায়নসু চেকশিন ৱা থল্লক্লি।

ইঙৌরোক্কী চীফ ফুরম্বগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি



হীরম অসিগী মতাংদা খোংসাই য়ুঠ য়ুনিয়ন্না কুপ্পা থিজিনবদা ইঙৌরোক্কী চীফ মরাল লৈতে হায়বা খঙলে। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা কুকিশিংগী চীফ হায়বা ফম অসি থমদুনা লাকখিবনি। ইকাই খুম্নিংঙাই ওইরবা চীফ অমবু মীনুংশি য়াওদনা নুপী-অঙাংগী মমাংদা তমথিনা ফুখিবগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই।

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :

সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (শু) খুৎয়েক পীনদুনা লৈরিবা কুকি নেসনল ফ্রন্ট-জৌগম (কে এন এফ-জেদ)কী কাদরশিংনা ইঙৌরোক্কী চীফ থেংখোলাল খোংসাই ফুরম্বগী থৌওংবু খোংসাই য়ুঠ য়ুনিয়ন্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিয়ন অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পল্লিসিটি সেক্রেটরি সাটগৌলাল খোংসাইনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙৱাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০রোম তাবদা কে এন এফ-জেদগী কাদর খরনা থেংখোলাল খোংসাইবু ময়ুমদগী মমিৎ পুন্দুনা পুথোক্লগা তমথিনা ফুরল্লে। মহাক্কী কার অমসু খুৎলায় পায়বশিং অদুন পুদুনা চৎখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা নাৎকী চৎনবী মতুং ইন্না য়াশিন্নবা পুরকপগা লোয়ননা খুৎলায় পায়বশিংনা পুখ্রবা কার অদু অথুবা মতমদা খুৎশিন্নরক্তবা তারবদি খোংসাই য়ুঠ য়ুনিয়ন অমসুং খোংসাই ফুরুপ্পা তুমিন্না খক লৈথোক্লোই হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অকনবা অচুম্বা শকপগী মতম হেনখ্রে হায়ন পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, অরিবা মতমগী চৎনদ্রবা ৱাখল্লোন অদু থাদোক্লবা মতমদতা খুন্নাই অসি চাওখৎহনবা ঙমগনি। খুৎলায় পায়বা কাদরশিংনা ইরৈবাক্কী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখত্তুনা মীয়ামগী থম্মোয় খুদুম চন্নবা হোৎনফম থোকই। কা হেনবা থৌওং চত্থবনা কান্নবা পুরকপা ঙল্লোই হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাবলিদা শিৎ-শেংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :

খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায়দা লৈবা গুরু কুল্লা কলচরেল একাদেমীগী ১২শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মহাবলিগী অকোয়বগী মফমশিং শিৎ-শেংখিবগা লোয়ননা য়োংশিংদা পীজ-পীথক তৌখ্রে।

গুরু কুল্লা কলচরেল একাদেমীগী জেনরেল সেক্রেটরি টি বিশ্বর্জিৎনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখিবা অসিনা একাদেমী অসিগী ১২শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাক-চাউনা পাঙথোকপগী খুদোংচাদবা লৈবনা ঙসি মহাবলিগী অকোয়বদা শিৎ-শেংদুনা অমদি য়োংশিংদা পীজ-পীথক তৌদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মহাবলিগী অকোয়বা মফমশিং লু-নানা থম্নবগী পান্দমদা একাদেমিগী থৌমীশিংনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মীপুম খুদিংমক খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা মচীঞ্জাক পীজনবা লৈত্রবা য়োংশিংগীদমক অঙন্বা খরা মতেং পাংবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা একাদেমী অসিগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

ইমুংগী থবক শুনবা অঙাং থমদনবা এম এম এ বিনা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস):

বেঙ্গলুরুদা লৈবা মণিপুরী ইমুংশিংনা থবক-ইনখাং নোম্নবা পীক্লিবা অঙাং থমদনবা মণিপুরী মৈতৈ এসোসিএসন বেঙ্গলোর (এম এম এ বি)না খঙহল্লক্লি।

এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট মেজর (রিটায়র্দ) রাজ কুমার ঝলঞ্জিৎ অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি নোংথোম্বম জোননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হন্দক্তা বেঙ্গলুরুদা লৈবা মণিপুরী ইমুং অমদা থবক শুনবগী থম্বা নুপীমচা অমা তাথি-তাওইননা তৌখিবগী থৌদোক্না মরী লৈননা পুলিসকী কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে। চহী ১৮ শুদ্রিবা অঙাংশিং দোমেষ্টিক হেল্পর ওইনা থম্বা হায়বসি জুবেনাইল জষ্টিস (ক্যের এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিল্ড্রেন) এক্ট ২০১৫ অমসুং চাইল্দ লেবর (প্রোহিবিসন এন্দ রেগ্যুলেসন) এক্টকী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC

দাইবেটিষ্টকী মমিং লৈরবা SUGAR NIL CAPSULES DUTTA AYURVEDIC তগী ফংবীগনি

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোম্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুকনুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুকনাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

শমগী পোব্লেম :

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিখবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6100/14/07-13/08

CROSSWORD-3535



ACROSS

1 Placate (7)
5 Domestic servants (5)
8 Horrifying, sensational (5)
9 Exult, make merry (7)
10 Matrimony (7)
11 Rule (5)
12 Heavenly (6)
14 One who attends to horses (6)
18 Capital of Western Australia (5)
20 Disrobe (7)
22 Ceased (7)
23 Short-legged breed of dog (5)
24 Fittingly (5)
25 Borne (7)

DOWN

1 Permitted (7)
2 Trimmed, peeled (5)
3 Et cetera (3,2,2)
4 I've found it! (6)
5 Military rank (5)
6 First (7)
7 Back of a boat (5)
13 New England state (7)
15 Beguiled (7)
16 Discern (anag) (7)
17 Embrace (6)
18 Penne, rigatoni, etc (5)
19 Contented (5)
21 Mistake (5)

Solution 3534

R	E	S	C	U	E		B	A	N	T	A	M
I		E		N				G		R		E
P	A	N	I	C		O	R	A	T	I	O	N
O		A		L		B		I		E		D
F	E	T	T	E	R	S		N	U	D	G	E
F		O				T		S				D
		R	E	A	L	I	S	T	I	C		
R				U		N				U		U
E	A	S	E	D		A	R	B	I	T	E	R
C		O		I		T		O		T		A
A	F	F	A	B	L	E		S	C	I	O	N
L		I		L				O		N		U
L	E	A	V	E	S		I	M	A	G	E	S

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3334

		2					8	3
	9	1			3	5		2
	3			9	1		4	
8			5		7			1
	2		6	8			9	
4		7	3			9	2	
9	5					1		

Solution-3333

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

6	3	2	1	7	8	9	5	4
1	4	9	2	5	3	6	8	7
7	8	5	4	9	6	1	3	2
8	2	1	6	4	9	5	7	3
3	5	7	8	2	1	4	9	6
9	6	4	5	3	7	8	2	1
4	7	8	9	1	2	3	6	5
2	1	6	3	8	5	7	4	9
5	9	3	7	6	4	2	1	8

কৈনু

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম


ঙমতাৱানগী হুইদু উ পৈবগী মখাদা চঙদুনা লোৎখিরম্মী।
ইবুংঙো কৈ খোংবগী মখোল তাইনেহে।
কৈ হায়বা ইমা ঐ অমুক্তা য়েংউখিগে।